ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯹꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুন ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৯৪শুবা মশীং

## ঙমখৈগী ৱাথোক

### বি জে পিগী মতমদা খক্তা থোরকপ্রা

মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা লৈবাকসিগী ঙমখৈ পরিংগী বোর্দর পিল্লরশিং অমসুং ফেন্সিং খাজিল্লকপগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোকশিংসিগী মতাংদা ওপোজিসন কোংগ্রেসনসু অকনবা থবক লৌখৎলক্লে। চয়েৎনরিবা ঙমখৈ য়ূম্বীশিংগী মনাক তম্না শক্তিমান তোংলগা চঙশিল্লুরে। য়ূম্বী মখোঙদা লেপ্তুনা মরম চাবা দিমান্দ অমসুং ৱাফমশিং ইবা বেন্নর অমসুং প্লে-কার্দশিং পায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লুরে। হল্লক্লগা ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নদুনা অচুম্বা অশেংবা ৱাফমশিং মরীক-চুম্না পাউদমখ্রে। মণিপুর মীয়ামগী ওইনা য়াম্না ফজবা, তৌফম থোকপা, তৌদবসু য়াদ্রবা ঙমখৈগী ৱাথোকশিং অসিগা মরী লৈনবা থবকশিংনি। পোলিটিকেল পার্টি হায়বসিদি লৈঙাক পায়রবা মতমদতা মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়বা লৈতে। লৈঙাকলোন খূৎপায়নদ্রবসু চৎনরিবা লৈঙাক্লোনগী মচৎ, মওং-মতৌশিংবু অফবা-অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্নবা হোৎনগদবনি। মীয়ামবু ৱাখল তাহনগদবনি। মতম-মতমগী মতুংইন্না মীয়ামগী অৱাৎ-অপা লৈহন্দনবা তক্নগদবনি। মতম পূম্নমক্তা মীয়ামগীদমক লেপকদবনি, মীয়ামগা লোয়নদুনা লৈগদবনি। অসিগুম্বশিং অসি তৌরবা মতমদতা পার্টি অদু অফবা পোলিটিকেল পার্টিনি, পার্টিদুগী লুচিংবশিং, থৌমীশিং অশেংবা মীয়ামগী থৌগল্লোইশিংনি হায়গদৌরিবনি। পৱার পায়রক্লগনা মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংশিং হকথেংননা অমসুং খুয়া-তুশিৎনা তৌবা ঙমগদৌরিবনি। পূম্নমকসি দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন চৎপা লৈবাকসিগী পীকপা-চাউবা থিদনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চেনগদবা মতিক ময়াইনি।

মরম পূম্নমকশিং অসিনা হৌজিক থোরক্লিবা ঙমখৈগা মরী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসনা খা-ৱাং শিন-থুংনা চেন্দুনা হোৎনরক্লিবসি থাগৎনীংঙাইইনি। মীয়াম হুপ্না শরুক য়াশিন্দুনা মতেং পাংশিন্দুনা মপাঙ্গল হাপ্পীফম থোকই। অদুবু চোঙথোরক্লিবা ৱাফমদি বোর্দর পিল্লর অমসুং ফেন্সিংগী ৱাথোকসিবু কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দা ৱাশক লৌখিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না চহী ৫ মপূং ফানা লৈঙাক পায়রক্লগা হন্দক অমুক অনীশুবা লৈবাক ৱায়েল থৌদারকপা হৌরকপদগীদা থোরকপ্রা হায়বনি। মরমদি চহী ১৫ থংন-থংননা চহী ৫/৫গী টর্ম অহুন্নক ষ্টেটসিগী মপু ওইখিবা কোংগ্রেসকী মতমদদি থোকখিদব্রা? বি জে পিগী লৈঙাক লিংলকপদগীদা থোরকপ্রা হায়বনি। কোংগ্রেসনা লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদা পায়রিঙৈদগী থেংনরকখিবা ৱাথোক ওইরগদি মতমদুদদি কোংগ্রেস পার্টিনা পৱারসু পায়না-পায়না কৈদৌদনা লৈহৌগে হায়বনি। কোংগ্রেসকী মতমদা থোরকখিদবা ওইরগসু অসুম্মাইনা থোরক্কনি, থোরকপা য়াই হায়বসিসু চহী ১৫ লৈঙাক্লিঙৈদা খঙখিদব্রা নৎত্রগা নোংমতা খল্লুদব্রা হায়বগী ৱানি। থোরকখিদবা ওইরগসু মতুংদা থোরক্তুনবা ৱাথোক ওইরিবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮০, ৮১ য়াওনা ঙমখৈ য়ূম্বী পূম্নমক অচুম্বা অশেংবা মফমদা লৈখাই তানা য়ুংলগা থন্নম্বা য়াদব্রা, তুংগী লৈবাক মীয়ামগী মীরোলগীদমক হায়বগী ৱানি। বোর্দর পিল্লরশিংগী ৱাথোক্তুমক কুম লায়নাদৌনা নারক্লমদ্রগদি শম্বল খাবগী ৱাথোকসি খরমখৈদা ওইরবসু পীকশিল্লম্লোইদ্রা হায়বনি। অসুক লুখ্রবা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগীদমকনি হায়দুনা মীওই কয়াগী থৱায় ফাওবা মাঙখ্রগা পৱার পায়রিঙৈদা তুংগী পোরম য়াৎলমদবা করিগীনো? ৱাথোক-লান্থোক ওইরক্লগা থোকঅ-থোকঅবা তৌনি, লৈঙাক পায়দ্রগসু মপু ওইরিবদুদা ওনশিন্দুনা চিক্কনি হায়দুনা থরেক্লদুনা লৈথোরকপগী মহয় ওইরোইদ্রা হৌজিক মণিপুরদা পুমশা শারিবসে। পৱার পায়রিঙৈদা মীয়ামগীদমক কদাই ফাওবা করি-করি তৌরম্বগে হায়বসি মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙই। ইন্নর-লাইন পর্মিটকী ৱাফম এসেমব্লিদা কয়ারক হন্না পুথোক্তুনা খন্নখ্রবসু হৌজিক লৈরিবা ফীভমসি ফাওবা লৈহল্লম্বা ঙম্ব্রা? মণিপুরী লোলনা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা চনবা, শেলয়েক্তা লোলসিবু য়াওহনবগী মতাংসু তক্নরি, হায়নরি হায়রগা মতম হৌখিবা ঙাইখিবনি হায়বদা লানগদ্রা? হৌজিক হৌ হৌ চোঙলক্লিবসিবুদি ফত্তে হায়বা নত্তে, ফৈ অদুবু পৱর পায়রিঙৈদনা খূৎ তুংবুন্নদুনা লৈবগী থৌদোক থোকখি হায়বনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪**

১) **"স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল-- নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।"** ৱাহৈ পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) **"চন্দন পান্বী কয়া কয়ানা, /চীং-মাল-নারক শীংলক্তা, /মাং'গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা, /পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা, /থারিবা চন্দন পান্বীদু চেকশিন্না, / কংখ্রনিদো অরেম্বদা।"** শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) **"কাওশীং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মোহন দাস"** হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্কগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মাইক্রোঅলজিনা পুথোরকপা শুনুনূঙদগী বিলাটিমাটি শুংবা (কার্বন ন্যুত্রেল কঙ্ক্রিটকী বিল্ডিং শাবা য়ারক্কদৌরি)

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


মমাঙ চয়োলগী ৱারেংদসু পঞ্জখ্রে মদুদি বিলাটিমাটি শুংবগী হৌজিক শীজিন্নরিবা পান্থেসিদগী থাদোরকপা কার্বন দাইওক্সাইদনা মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎহনবা; মৈখু, উফুল-ৱাইফুল অমসুং ফ্যুমশিংনা নুংশিৎপু মোৎহনবা; অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিদগী কোকহন্নবগী নৌনা পুথোরকপা পান্থে অমগী মতাংদা। অসিগুম্বা অনৌবা পান্থেশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরাদো বোলদরনা লুচিংখিবা থিজিন লূপ অমনা য়ুনিভর্সিটি ওফ নোর্থ করোলাইন ৱিলমিংটন (য়ু এন সী দব্লিয়ু) গী অলগাল রিসোর্সেস কলেক্সন অমসুং নেসনল রিন্যুএবল এনর্জি লেবোরেটরি (এন আর ঈ এল) গা লোয়ননা বিলাটিমাটি শুংবদা কার্বন দাইওক্সাইদ থাদোকহল্লকপগী মহুৎতা নুংশিৎতগী কার্বন দাইওক্সাইদ ফাওবা লৌশিনবা ঙম্বা, বিলাটিমাটি শুংবগী পান্থে অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। মখোয়গী পান্থেসিদা মাইক্রোঅলজি (মাইক্রোঅলগি) শীজিন্নে। থিজিনবগী থবক অসিগীদমক থিজিন লূপ অসিনা য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ এনর্জিগী এদভান্সদ রিসর্স প্রোজেক্টস এজেন্সী-এনর্জি (ARPA-E) দগী দোলর মিলিয়ন ৩.২ ফংখি। অদুগা HESTIA Program (হার্নেসিং ইমিসন্স ইন্টু ষ্ট্রকচরস টেকিং ইনপুটস ফ্রোম দ এটমোসফিয়র) না বাইওজেনিক লাইমষ্টোন-বেজদ পোর্টলেন্দ সিমেন্ট পুথোকপগী থবক অসি হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎনবা অদুগা জিরো-কার্বন ফ্যুচর অমা শেমগৎপদা মতেং ওইনবগীদমক লূপ অসিবু খনগৎখিবনি।




Wil Srubar অমসুং বাইওজেনিক ওইবা শুনুনূঙদগী শেম্বা কঙ্ক্রিট

খ্ৱাইদগী তোয়না শীজিন্নরিবা পোর্টলেন্দ সিমেন্ট অসি শুংনবগীদমক অচৌ-অচৌবা ক্বারিশিংদগী শুনুনূঙ (লাইমষ্টোন) লৌথোকপা অমসুং য়াম্না শাহল্লগা মৈ থাবা তাই; থৌওংসিদা য়াম্লবা কার্বন দাইওক্সাইদ থাদোরকই। অসিগুম্বা ক্বারিশিংদগী ফংলিবা শুনুনূঙসিগী মহুত্তা ফোটোসিন্থেসিসকী পান্থেনা (সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা কোরল হায়না খঙনরিবা জীবশিংনা ফোটোসিন্থেসিস তৌরগা কোরল রীফশিং শেম্লকপগুম্না), কালকেরিয়স মাইক্রোঅলজিগী স্পেসিস খরবু শুনুনূঙ শুংহনবদা শীজিন্নবা য়াই হায়বসি খঙলকখি। ফোটোসিন্থেসিস পাঙথোকপদা পাম্বীশিংনা নুংশিৎতগী কার্বন দাইওক্সাইদ চূপশিল্লি। অসুম্না মাইক্রোঅলজিনা ফোটোসিন্থেসিস তৌনবগীদমক্তসু কার্বন দাইওক্সাইদ চূপশিল্লি। থৌওং অসিনা বিলাটিমাটি শুংবদা কার্বন দাইওক্সাইদ থাদোকহল্লকপগী মহুত্তা নুংশিৎতগী কার্বন দাইওক্সাইদ ফাওবা চূপশিন্দুনা গ্লোবেল ৱার্মিং হন্থহনবদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌগদৌরি হায়না থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

মতাংসিদা পনবা য়ারিবা নুংঙাইরবা ৱাফম অমনা, থিজিনবসিগী থবক্তা মপূং ওইবা থৌদাং লৌখিবা সিভিল ইনভাইরনমেন্টল এন্দ আর্কিটেকচরল ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ করোলাইনা বোলদরগী এসোসিএট প্রোফেসর Wil Srubar না পাম্বীশিংবু শুনুনূঙ পুথোকহন্নবগী ৱাখল্লোন অসি কুমজা ২০১৭তা মহাক্কী হনিম্যুন মনুংদা থাইলেন্দগী সমুদ্রদা স্নোর্কেল শীজিন্নরগা ঈরোইদুনা শান্নরিঙৈদা লাকখিবনি হায়বসিনি। মতম অদুদা মহাক্না কেলসিয়ম কার্বনেটনা শেম্বা, মতম কুইনা লৈরক্লবা কোরল রীফশিংগী শক্তমশিংদু উরুবদগী, মহৌশাগী থৌওংনা কেলসিয়ম কার্বনেট শেম্বা ঙম্লবদি, খূৎশেমগী পান্থেনা মসি শুংবা ঙমগনি হায়না খল্লকখি। কেলসিয়ম কার্বনেট হায়বসি শুনুনূঙদা য়াওবা মপূং ওইরিবা মচল অমনি।



Coccolithophore অমবু কুপশিল্লিবা Coccolith কী স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোগ্রাফ





Isle of Scilly গী মনাক্তা Coccolithophore শিংবু স্পেসতগী উবগী শক্তম

কুমজা ২০২০গী National Science Foundation CAREER Award ফংখ্রবা, Srubar অমসুং মহাক্কী থিজিন লূপ অসিনা Coccolithophore বু য়োকপগী থবক পায়খৎপা হৌরকখি। Coccolithophore হায়বসি সেল অমখক্তমক য়াওবা, সমুদ্রগী মথক থংবা লৈরোলদা হিংবা, ঙৌরোক ঙৌবা ফাইটোপ্লাঙ্কটন (মাইক্রোঅলজি) মখল অমনি। Coccolithophore শিংগী হকচাংশিংসি শুনুনূঙগী মাইক্রোস্কোপিক ওইবা কুয়োম অমনা কুপশিল্লি। Coccolith হায়না খঙনরিবা কুয়োমসি কারগী চাকাদা য়াওরিবা ধাতুগী শরুকশিংবু কুপশিল্লিবা হবকেপ মওং মাল্লি অদুগা মসিগী দাইএমিটরনা মিলিমিটর অমগী লিশীং থোকপগী অহুমশুবা হায়বদি মিলিমিটর ০.০০৩ গুম্বা ওই। নুংশা মঙাল, সমুদ্রগী ঈশিং অমসুং ঈশিংদুদা য়াওরিবা কার্বন দাইওক্সাইদকী মতেংনা মাইক্রোঅলজিসিনা কোরল রীফশিংদগী হেন্না থুনা য়াম্লবা কেলসিয়ম কার্বনেটশিং পুথোকপা ঙম্মী। Coccolithophore শিংনা সমুদ্রগী ঈশিংদা অসুক্কী মতিক পাক শন্না শন্দাক্তুনা লৈ মদুদি মখোয়সি স্পেসতগী উবা ঙম্মী।

অকনবা কেলসিয়ম কার্বনেটকী কুয়োম্না য়োমশিনবা, অঈংবা অমসুং অশাবা, থুমহি চেনবা অমসুং থুমহি চেন্দবা ঈশিং অনীমক্তা হিংবা ঙম্বা, মাইক্রোঅলজিশিংসি খূৎশেমগী পান্থেনা, কংফাল অমসুং সমুদ্রদা য়োকপা য়াই। লূপ অসিগী মতুংইন্না, একর মিলিয়ন ১দগীনা ২ খক্তমক ওইবা পুখ্রিদা য়োকপা মাইক্রোঅলজিশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দরকার ওইরিবা বিলাটিমাতি পূম্নমক শুংবা ঙমহনগনি। হায়রিবা পুখ্রিসিনা লৌশিনখিগদবা লমগী পাক-চাউবসি য়ু এসকী অপূনবা কংফালগী ০.৫% খক্তনি অদুগা চুজাক থাবদা শীজিন্নরিবা লমগী ১% খক্তনি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

মতাং অসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবনা, মাইক্রোঅলজিসিনা ফংহনবা ঙম্লিবসি শুনুনূঙখক্তা নত্তনা, লিপিদ, প্রোটিন, চিনি অমসুং কার্বোহায়দ্রেটশিংসু ফংহনবা ঙম্মী। মখোয়সি বাইওফ্যুল, চিঞ্জাক অমসুং অকে-অমৌগী পোৎশিং পুথোকপদা শীজিন্নবা য়াই। অদুনা মাইক্রোঅলজিসি য়োকপনা লম্ কয়াদা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়রি। শুনুনূঙ অমসুং অতোপ্পা পোথোকশিংসি ইন্দষ্ট্রিগী থাক্তা হেক ঙম্লিবমখৈ থুনা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক য়ু এন সী দব্লিয়ুগী অলগাল রিসোর্সেস কলেক্সননা মাইক্রোঅলজিগী হেন্না ফবা ষ্ট্রেইনশিং থিবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে; অদুগা এন আর ঈ এলনা অলগাল বাইওমাসপু বাইওফ্যুলশিং অমসুং বাইও-বেজদ প্রদক্টশিংদা ওন্থোকহনবা ঙম্বা মোলিক্যুলর অমসুং অনালিটিকল তুলশিং শেমগৎপা হৌখ্রে।

য়ূম কৈ অমসুং লম্বী-থোঙনচিংবা শেমগৎ শাগৎপদা মালেমদা শীজিন্নরিবা বিলাটিমাটিসিগী মহুত্তা বাইওজেনিক ওইবা শুনুনূঙশিংদগী শুংবা বিলাটিমাটিনা মহুৎ শিন্দোকপা ঙম্লবদি, চহী খুদিংগী কার্বন দাইওক্সাইদকী য়ামখ্রবা গিগাটন ২দি নুংশিৎতা থাদোরকপদগী কনবা ঙমগনি অদুগা নুংশিৎতা য়াওরিবা কার্বন দাইওক্সাইদ মিলিয়ন টন ২৫০দগী হেন্না লৌথোক্লগা অসিগুম্বা মখলগী বিলাটিমাটিসি শুংবদা শীজিন্নখিবা য়াগনি হায়বগী ৱাফমসু থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। মাইক্রোঅলজিবু শুনুনূঙ পুথোকপগী থবক অসি পাঙথোক্লবগী টেক্নো অসি লৈরবনিনা, অদুগা মসিদা পূক্লিং চঙবা বিলাটিমাটি পুথোকপা পাম্বা কম্পেনি কয়ামুক থোরক্লবনিনা, বাইওজেনিক ওইবা বিলাটিমাটি পুথোকপগী থবকসি চহী খরগী মনুংদদি মঙফাওনবসু ঙম্লগনি হায়রি। ●

**— এদিটরদা থারকপা চিঠি —**

## মাঙখ্রবা মতম অমুক হল্লক্লরোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরী খুন্নাই অসি দ্রগকীনা নিংথৌ অদুগা ফেষ্টিবেলগীনা মহারানি হায়বদা পকচরে। খুন্নাই অসি ইথক-ইরাংদা তাওদুনা পাইরগা হিংবগা চপ মান্নরি। লমদম অসিগী মীয়ামগী লাইফ সাইকল অসি অমুক্তা খন্থদুনা য়েংসি। চহীগী কেলেন্দরদা অঙাংবা মচুনা ইরিবা তারিখশিংসি য়াম্না য়াল্লি। লেপ্তে কুম্মৈদি।

চহী অমদা নোংমাইজিং ৫২ লৈরি। সেকেন্দ সেটরদেনা নুমিৎ ১২ খক ওইরি। অতোপ্পা অঙাংবা নুমিৎশিং ৩৩সু পব্লিক হোলিদে ওইনা ইরগা ফোঙলি। অসুম্না পুল্লপনা নুমিৎ মশীংসি ৯৭ ওইরি। মসি নত্তবা অনওফিসল হোলিদে মশীং থিবা ঙমদনা লৈরি। মরু ওইনা পব্লিক হোলিদে, জন্যুৱারী থাদদি - চহী হৌবা, গান ঙাই অমসুং রিপব্লিক দেগী পেরদ অদু য়েংলুনবা চৎচৈ। কুম্মৈশিংগী মথং মথং ভেলেন্টাইন দে, প্লেয়রস দে, য়াওশঙ নুমিৎ মঙানিগী লোয়ননা থা অমা হেন্না থাবল চোঙবা, মৈতৈ চৈরাওবা, গৌড় চৈরাওবা, গুদ ফ্রাইদে, খোংজোম দেনচিংবা এপ্রিল থা ফাওবদা পাঙথোক্লি।

ইদুল ফিটর, লাই হরাওবগী কুম্মৈসি থা ২/৩ হেন্না চথরি। ঙমখৈ কনবা নুমিৎ, জুন ১৮ মণিপুরগী ইতিহাসকী নুমিৎনি। রধ যত্রা (কাং), ওগষ্ট ১৩, ওগষ্ট ১৫, ওগষ্ট ২৭ চাক্লাম খোঙচৎ, জন নেতা হিজম ইরাবত- সেপ্টেম্বর ৩০, দিৱালি, দুর্গা পুজা, নিংঙোল চাক্কৌবা, খৃষ্টমাসনচিংবা- ওফিসল ওইবা নৎত্রগা ওইদবা, করিসু থোইনা খেন্নদ্রবা লমদমনি। মতমগী মমলসি ঐখোয় খঙদরে।

চহী অমগী থা ১২ অসিগী মনুংদা থা ৩ ফানা থবক শুদ্রবা লৈবাকনি। ওন্থোকপা, অঙকপা খুন্নাইনি। থবক শুবদা ইকায়রোইসি। মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম অমদা হেক চৎলুবদা লাই হরাওবগী খোঞ্জেল 'নুংঙাইরে, হরাওরে, য়াইফরে' মাইকতা লাওবগী অহৌবা খোঞ্জেল তাই। মপুন্সি চূপ্পা করিসু কান্নবা অমত্তা তৌরমদনা লোইখিবা মী য়াম্না লৈ। অদুগুম্বা খরদি মচি মচিদা হিংলি।

লাউ খোংলিবা, ইথক ইরাংগী থবক থৌরমসি খরা হন্থহন্নবা মীয়ামসু ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থমিন্নসি, হেনমনখ্রে। নিরগা হিংবসি ইকায়ফম থোক্তরা? মণিপুর মীয়াম হুমাং তানা থবক শুদরে। লম্বী সরক্তা থবক শুবগী দ্রেস শেৎলগা চৎপা মী ইউ উদ্রে। চাবা থকপগী দ্রেস ঙাক্তনি। হুমাং জোরো জোরো তানা থবক শুরিবা মী অমত্তদা মখল অমত্তগী লায়না নারোই। অতনবা, ফত্তবা, ওক্তবা মীদি ঐচ আই ভি মহিক্তগী হেন্না শাথী। মখোয়গুম্বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্লবনি।

সঙাই ফেষ্টিবেল, সিরুই ফেষ্টিবেলনচিংবশিংবু করম্বা মখলগী দিভেলপমেন্ট মণিপুর খুন্নাইদা পুরকখ্রবগে? স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিগী মিৎকী কুম্মৈরা? হরাও কুম্মৈশিংসিনা মণিপুর মীয়ামদা করি হেন্না য়াইফবা পুরক্লিবগে?

পুন্সিগী য়াম্লবা মতমসি করম্বা থবক্তা মাঙলি? থা ৫/৬ নোং তাবা মফমসিদা ঈশিং লৈনরিবা অসিনি। ঈশিং তুংশন্নবগী সিমেন্টগী ৱাটর টেঙ্ক অমা শারগা থম্বগী মহুত্তা ঈশিংনা হাপ্লগা থৌবা য়াদে খঙন-খঙনা কার অমা লৈরগা তোংলিবা মীয়ামনি। ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরম্বা শ্রী এন্থোনিদু ঐহাক্না য়াওরুবা মীটিং অদুগী চীফ গেষ্ট ওইনা লাকপদা এম্বেসেদর কার অমদা মহাক মশানে, পি এস ও অনী অমদি দ্রাইভরগা মখোয় মরিখক লাকই। অচৌবা ৱাখল খনবা মীদি ইচম চম্বনি। ফম্নাইবশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিংসি মীচম মীয়ামদগী খোমগৎখিবা টেক্সশিংদগীনি। গাড়ী ২০ পুরগা/চৎলগা করি মিংথোল থম্লমগদৌরি?

*অদোমগী - কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ)*
*ৱাংখৈ, ইম্ফাল*